# তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিং থা খরা হেন্না ঙাইবা তারি, লৈরিবা ফিভম মতিক চাদ্রি : মেদিকেল এক্সপার্ট





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী হিরম খুদিংমক মথৌ তৌহন্দনা য়েথোকপা অমদি তোকপগী তাঙ্কক লাক্লিবসি থা খরা হেন্না ঙাইবা চঙই। হৌজিক লৈরিবা লাইচৎ অসিগী ফিভমনা শান্নবা মখা তাবা চুপ্লোই হায়বগী মতাংদা মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেমগী ইকনমিদা চাওনা শোকহনবগা লোয়ননা শান্নবগী লমদসু ইকনমিগা খুৎশম্নবা মরম্না মমিং লৈরবা ক্লব কয়া অমদি কম্পেনি কয়া ফিভম শোকচিন্না লৈরবনি।

কাংলুপ অসিগী মায়কৈদগীদি লেপ্তুনা লৈরিবা অমদি কেন্সেল তৌখ্রবা স্পোর্টস ইভেন্ট কয়া অদু নৌহৌননা অথুবা মতমদা পাঙথোকপা পাল্লিবনি। অদুবু লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীরিবা অসি মফম অমসুং মীওই মখল খায়দনা শোকহনবা মরম্না মালেমগী শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক য়েথোকপা নত্রগা তোকপগী থবক পায়খৎলকপনি।

তৌবতবু হৌজিক হৌজিক য়ুরোপকী বেলারস লৈবাক্তা লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনবা অমদি শীহনখিবা মীওই লৈরবসু লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট চথরি। অমরোমদা এসিয়াগী টাজিকিস্তানদসু লৈবাক অদুগী ক্লবশিংগী ওইবা নম্বর ১ টুর্নামেন্ট ওইরিবা টাজিকিস্তান হায়র লীগ টুর্নামেন্ট ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্লি।

চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী শাক্তে দারকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মালেমগী লৈবাক ২১০দা শোকহল্লবা মতুং হৌরকফম ওইরিবা চাইনাগী সিটি অদুদা লায়না লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙম্বদগী নুমিৎ ৭৬কী লোকদাউন থল্লম্বা অদু লৌথোক্তুনা সিটিদুদা লৈরিবা মীওইশিং ময়ুম ময়ুমদগী থোরকপদা লৈঙাক্লা অয়াবা পীখ্রবনি।

নাকল অমরোমদা, হৌজিক হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না শোক্লিবা য়ু এস এ লৈবাক, য়ুরোপকী ওইনা স্পেন অমসুং ইটালি য়াওনা অতোপ্পা লৈবাক কয়া লোকদাউন তৌবগী অকনবা কাংলোনশিং অদু লৈনবা হোৎনরবসু লাইচৎ অসিনা শোকহনবা অমদি শীহনবগী মশিং অসি নোংমগী লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি।

লৈরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা শান্নবগী লমদা লৈরিবা লুপশিংনা মখোয়গী ক্লব অমদি কম্পেনিশিং অদু ইনকম খঙলেপ লেপখিবনা অথুবা মতমদা শান্নবা হৌবা পাল্লবসু তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খ্বাইদগী নৌবা পাউগী মতুং ইন্না লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা অমদি শীহনবা অসিনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মখা তানা লাক্কদৌরিবা তরুকতগীনা মাপন ফাওবা মীয়াম পুন্না শরুক য়াবা শান্নবগী ইভেন্ট অমত্তা পাঙথোকপা চুপ্লোই হায়না ফোঙদোক্করক্লি।

ক্রিকেট, ফুটবোল, টেন্নিস, রেষ্টলিং, টেবল টেন্নিস অমদি তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদগী হেন্দোক্তুনা জুলাই ২৪দগী পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্ভে ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস ফাওবা চহী অমা য়েথোকখ্রবনি।

# হোক্কি ইন্দিয়ানা দোমেষ্টিক ইভেন্টশিংগী অনৌবা ফোর্মেট শেমদোক্তুনা ২০২১দা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা মীওই ১১,৮৪৯ নাহনখ্রবা মতুংদা মীওই ৪০৯ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই ১,৩৪৩না লায়না অসিদগী ফহনখ্রবা তাঞ্জা অসিদা লৈবাক শীনবা থুংনা শান্নবগী লম খক্তা নত্তনা অতোপ্পা মীয়াম পুনবা থবক থৌরমশিং লেপহন্দুনা লৈঙাক্লা মমাঙদা লাউথোকখিবা লোকদাউনগী মতম ঙরাং চয়োল ৩ লোইখ্রবা মতুং মখা তানা নুমিৎ ১৯নিগী লোকদাউন লাউথোকখিবগা লোয়ননা হোক্কি ইন্দিয়ানা মশান্না অসিগী দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টকী অনৌবা ফোর্মেট শেমদোক্তুনা কুমজা ২০২১দা শান্নবা হৌননবা পোরম য়াৎখ্রে।

ৱারেপ অসি হোক্কি ইন্দিয়াগী একজিক্যুটিব বোর্দকী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা লৌখিবা অমনি। দোমেষ্টিক হোক্কি কম্পিটিসনশিং অসি কুমজা ২০২১দা মপুং ওইনা পাঙথোকপা হৌননবা পান্দম থমদুনা ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং, ইন্সটিট্যুস্নেল য়ুনিটশিং অমদি একাদেমিশিংগী ওইনা শান্নরোয়শিং ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা ফোর্মেট অমা শেমদোকখিবনি।

কুমজা ২০২১দা লাক্কদৌরিবা অনৌবা শেমদোক্লবা ফোর্মেট অদুদা হোক্কি ইন্দিয়াদা রেজিষ্টর তৌরবা ষ্টেট মেম্বর য়ুনিটশিং, পব্লিক সেক্টর য়ুনিটশিং/দিপার্টমেন্টল য়ুনিটশিং অমদি একাদেমিগী মেম্বর য়ুনিটশিংগী ওইনা নুপা অমসুং নুপীগী ওইবা সব জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সিনিয়র নেসনলগী থাক্তা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লনবা পান্দম থল্লি।

অনৌবা শেমদোক্লবা ফোর্মেট অসিগী মতুং ইন্না শান্নরোয় অমনা পীরিবা কেটগরিশিং অসিগী মনুংদা ইভেন্ট অমা খক্তদা শরুক য়াহনগদৌরি। মখা তানা হোক্কি শান্নরোয় অমনা সব জুনিয়র/জুনিয়র/সিনিয়রগী থাক্তা টুর্নামেন্ট অমখক শরুক য়াহনগদৌরি। মসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা হোক্কি পামজবা শান্নরোয় কয়াগী মফমদা মখা তানা মখোয়গী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা ঙম্নবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা পীরি হায়না হোক্কি ইন্দিয়াগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

নেসনলগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কি টুর্নামেন্টশিং অসিগী ক্বালিফিকেসন প্রোসেসকী ওইনা ষ্টেট মেম্বর য়ুনিটশিংনা সব জুনিয়র/জুনিয়র/সিনিয়রগী থাক্তা নুপা অমসুং নুপীগী টুর্নামেন্টশিং ষ্টেট লেভেল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লবা মতুং নেসনলগী থাক্তা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়ানবগী ক্বালিফিকেসন নোম অদু থল্লি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মহমদ মুষ্টাক অহমদনা ফোঙদোকখিবদা মমাঙদা কাংলুপ খুদিংগী ওইবা নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা গ্রুপ ‘এ’ অমসুং ‘বি’ হায়না লৈরম্বা অদু মথং চহীদগীদি লৈরোইনৌরি। মসিগী মহুৎতা ষ্টেট য়ুনিটশিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা পাঙথোকপা সব জুনিয়র/জুনিয়র/সিনিয়রগী টুর্নামেন্টশিং অদুদা মায় পাক্লবা টিম নত্রগা য়ুনিটশিং অদুনা ষ্টেট অদুগী মহুৎ শীন্দুনা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা নেসনল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা য়াহনগদৌরিবনি।

পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অমদি দিপার্টমেন্টেল য়ুনিটশিংগী ওইনা তোঙানবা কেটগরি অমা শেমদুনা নুপা অমসুং নুপীগী জুনিয়র কেটগরিদা শরুক য়াহনগনি। লোয়ননা অতোপ্পা কেটগরি অমনা একাদেমিগী য়ুনিটতা লৈবা শান্নরোয়শিংনা সব জুনিয়র অমসুং জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীগদৌরি। হায়রিবশিং অসি ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী চৎনা কাংলোনগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# ইংলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা য়ুনাইটেদ কিংদম হেল্থ সার্ভিসতা শেলগী মতেং পাঙখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

ইংলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা প্রেমিয়র লীগ শান্নরোয়শিংনা হৌখিবা চয়োলদা লোঞ্চ তৌখিবা ‘প্লেয়র্স টুগেদর ফন্দ’গী খুথাংদা পুন্না শেলগী মতেং পীদুনা য়ুনাইটেদ কিংদম হেল্থ সার্ভিসতা লৈবাক অদুগী লৈঙাক্লা হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাম্হেংনবগীদমক পীখিবনি হায়রি।

শেলগী মতেং অদু ইংলেন্দগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং (নুপা অমসুং নুপী)না উনদুনা খন্ন-নৈনরবা মতুং বৃটেনদা চল্লাইবা লৈবাক অদুগী নেসনল হেল্থ সার্ভিস অমসুং অতোপ্পা ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শক্তে দারকপা লাকশিন্নবা পায়খৎলিবা খোঙথাংশিংদা মতেং ওইননবা শেল খায়জিন্নখিবনি।

ঙসি ফাওবদা য়ুনাইটেদ কিংদমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মীওই ৯৮,৪৭৬ নাহনখ্রবা মতুং মীওই ১২,৮৬৮ শীহনখ্রবনি। মসিগী মনুংদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী প্রিন্স চার্লস অমদি প্রাইম মিনিষ্টরসু লায়না অসি পোজিটিব ওইদুনা লৈরি।

ইংলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না শান্নরোয়শিং অদুনা অতোপ্পা প্রেমিয়র লীগকী শান্নরোয়শিংগা পুন্না খন্ন-নৈনরবা মতুং ‘প্লেয়র্স টুগেদর ফন্দ’দা অকক্লবা শেনফম অমা খাইজিন্নরিবনি হায়খি।

মরক অসিদা প্রেমিয়র লীগকী মমিং লৈরবা শেল য়াম্না ফংলিবা শান্নরোয়শিংবু লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী অৱাবদা মতেং পাঙলক্তে হায়না মরু ওইবা পোলিটিসিয়নশিং য়াওনা অতোপ্পা মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি। প্রেমিয়র লীগকী হান্না থল্লম্বা পোরমদা শান্নরোয়শিংগী তোলোপ্তুগী চাদা ৩০ ককপা হায়না থল্লম্বা অদু শান্নরোয়শিংনা য়াখিদবদগী মখোয়গী অপান্বা শেনফম পীনরকপনি।

# আই পি এল ২০২০ মখা তাবা পাউ লাক্ত্রিবা ফাওবা তোকপা য়ানা লৈরি

মুম্বাই, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০গী মতাংদা ওফিসল ওইবা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোরক্তবা মরম্না হৌজিক্কী ওইনদি মালেমগী টি-২০ লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট মখা তাবা ৱারোল অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা তোকপা য়ানা লৈরি।

পাউগী এজেন্সী অমনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা বি সী সী আইগী গভর্ণিং কাউন্সিলগী মীফম অমা ফম্লবা মতুং ওফিসল ওইবা ৱারোল অমা ফোঙদোরকপা য়ানা লৈরি। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম বোর্দ অসিগী প্রসিদেন্ট সৌরব গঙ্গুলি, ট্রেজরর অরুন ধুমাল লোয়ননা আই পি এগী চেয়রমেন ব্রিজেস পতেলনা কনফরেন্স কোলদা ৱারী শান্নরবা মতুং আই পি এল মতম কক্তনা য়েথোক্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখিবনি।

# ছেস শান্নরোয়শিংনা শেল খোমগৎখিবা মোদিনা থাগৎলক্লি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেম শীনবা থুংনা শান্নবগী ইভেন্ট অমত্তা পাঙথোকপা য়ানা লৈরিঙৈ মনুং ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ছেস শান্নরোয়শিংনা ওন লাইনদা লাইচৎ অসিবু লাম্হেংনবা শেল খোমগৎপগী অনৌবা খোঙথাং অদুবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাম্হেংনবগী চঙশিল্লিবা খোঙজংদা ৱর্ল্ড ছেস চেম্পিয়ন ওইরম্লবা বিশ্বানাথন অনন্দ য়াওনা অতোপ্পা লৈবাক অসিগী গ্রান্দ মাষ্টর মঙানা ওনলাইনদা একজিবিসন মেচ শান্নদুনা লুপা লাখ ৪.৫ খোমজিল্লগা পি এম কেয়র্স ফন্দদা মতেং পাঙলকখিবা অদুদা মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোরকপনি। ইন্দিয়ানা লায়না লাইচৎ অসিনা ঙসি ফাওবদা মীওই ৪০৯ শীহনখ্রবনি।

# থাইলেন্দগী বাস্কেটবোল এসোসিএসননা কোভিদ-১৯ লাম্হেংনবা মাক্স মিল্লিয়ন ৪ পুথোকপদা তেংবাঙখ্রে



বেঙ্কোক, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

বাস্কেটবোল স্পোর্ট এসোসিএসন ওফ থাইলেন্দগী প্রসিদেন্ট নিপোন্দ সৱালিটমোন্টননা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাম্হেংনবগীদমক্তা মার্ক্স মিল্লিয়ন ৪ পুথোকপদা মতেং পাঙখ্রে।

বাস্কেটবোল স্পোর্ট এসোসিএসন ওফ থাইলেন্দগী প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা সৱালিটমেন্টেননা লৈবাক অদুগী টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রিগী মন্যুফেকচরিং অমসুং এক্সপোর্টিং কম্পেনিগী ফাইনান্স দিরেক্টরসু ওইরিবনি।

প্রসিদেন্ট অসিনা লৈবাক্কী মতেংগা লোয়ননা অতোপ্পা প্রাইভেট সেক্টরশিংগী লুপশিংগা খুৎশম্নদুনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাম্হেংনবদা মতেং ওইননবা ফেস মাক্স শরুক য়াম্না মশিং য়াম্না (মিল্লিয়ন ৪) পুথোক্লবগী কাংলোন অদু য়াৎখিবনি।

খোঙথাং অসিনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা থা ২গী মনুংদা থাইলেন্দ লৈবাক্তা লৈরিবা মাক্স মথৌ তাবা মীওইশিংদা য়ৌহন্ননবা ফেস মাক্স মিল্লিয়ন ৪ অদু পুথোক্লবা পান্দম থল্লি।


বাস্কেটবোল স্পোর্ট এসোসিএসন ওফ থাইলেন্দগী প্রসিদেন্ট নিপোন্দ সৱালিটমেন্টেননা মখা তাখিবদা মালেম শীনবা থুংনা শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক লেপখ্রবা মতুংদা এসোসিএসন অদুনা করম্বা মতেং মীয়ামদা পীবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুং কম্পেনি অদুনা ইন্টর্নেসনল বাস্কেটবোল ফেদরেসনদগী ফংলকখিবা শেনফমশিং য়াওনা লৈরিবা বজেটতগী শরুক খরা খাইদোক্লগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা ফেস মাক্স য়েন্থোক্লবগী থবক অদু পায়খৎলকপনি হায়রি।

প্রসিদেন্টনা মখা তাখিবদা মাক্স অদু বাস্কেটবোল অমদি শান্নবগী কম্যুনিতি খক্তগী নত্তনা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংগী খুথাংদা মীচম মীয়ামদা মাক্স অদু য়ৌহনগদৌরিবনি হায়খি। এন-৯৫ মাক্স অমদি সিঙ্গল য়ুজ হায়জিনিক মাক্স মশিং য়াম্না লৈতবা মরম্না লৈরিবা অদু মেদিকেল ইন্দষ্ট্রি ওইনা থমখ্রগা মীয়ামনা শুদোক চমথোক্লবা মতুং হঞ্জিন্না শীজিন্নবা য়াবা মাক্স অদু থোরকপনি।

# বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা চহী অসিগী নবেম্বর-দিসেম্বর থাদা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবা শেম শারি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা চহীসিগী নবেম্বর-দিসেম্বর থাদা নুপা অমসুং নুপীগী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী য়ুম্বু ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। খোঙথাং অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মতম অদুদা লাকশিনবা ঙম্বগনি হায়বগী থাজবা লৈবদগীনি।



নীংশিংবা য়াই, কুমজা ১৯৮০দা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা মুম্বাই সিটিদা এসিয়ন মেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী য়ুম্বু ওইখি। মদুগী মতুংদা হিসার সিটিদা কুমজা ২০০৩দা এসিয়ন ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী য়ুম্বু ওইবা ঙমখিবনি। অদুবু হৌখিবা চহীদগী এসিয়াগী ওইবা নুপা অমসুং নুপীগী বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ তোঙান-তোঙানবা মতমদা পাঙথোক্লম্বা অদু পুনশিল্লগা মতম অমতদা পাঙথোকপা হৌখ্রবনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী একজিক্যুটিব দিরেক্টর আর কে সসেতিনা ফোঙদোকখিবদা এসিয়ন বোক্সিং কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী চহীসিগী ফেব্রুৱারী থাদা নুপা অমসুং নুপীগী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ য়ুম্বু ওইবগী রাইট অদু ইন্দিয়াদা পীখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি চহীসিগী নবেম্বর-দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্লগনি। অদুবু য়ুম্বু ওইগদৌরিবা সিটি অদুগী মতাং অদুনা হৌজিক মালেম পুম্বনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিল্লবা মতমদা খঙবা ঙম্লগনি হায়রি।

আর কে সসেতিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্লা লাম্হেংনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি অমুক্তা থেংনদ্রিবা লাম্হেংনি। অদুবু চহীসিগী জুন থা ফাওবগী মনুংদা লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাবা লৈ। লোয়ননা মখা তারকপা থা ৩/৪গী মনুংদা মমাঙদা লৈরম্বা তংদু লৈতাবগী ফিভম অদু লাক্লবা মতুং ইন্টর্নেসনলগী ওইবা স্পোর্টিং ইভেন্টশিং পাঙথোকপা য়াবগী ফিভম লাক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী য়ুম্বু ওইবগী বিদশিং অদু চহীসিগী জন্যুৱারী থাদা এসিয়ন বোক্সিং কনফিদরেসননা লাউথোকখিবনি। ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফিভম অসি ফগৎলক্লবা মতুং ইন্দিয়ানা নবেম্বর-দিসেম্বরদা য়ুম্বু ওইবগী মতাং অদু লাউথোরক্কনি হায়রি।

ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগী মায়কৈদগীসু তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী ওইবা ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসনগী প্রোগ্রামশিং অদু চহীসিগী নবেম্বর-দিসেম্বর থাদগী হৌরবা য়ানা লৈ হায়না আর কে সসেতিনা ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৯ ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

# ওষ্ট্রিয়ানা টেন্নিস, গোল্ফ অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং লৈবা ফ্রেন্দলি স্পোর্টস শান্নহল্লগনি

ভিয়েনা, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী):

মালেমগী লৈবাক ২১০দা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবা মতুং য়ুরোপকী লৈবাক অমা ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াদা টেন্নিস, গোল্ফ অমদি অতোপ্পা সোসল দিষ্টেন্সিং লৈবা মশান্নশিং শান্নবা য়াহল্লগনি হায়না লৈবাক অদুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি স্পোর্টস মিনিষ্টরসু ওইরিবা ৱার্নর কোগ্লরনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, ওষ্ট্রিয়াদা ঙসি ফাওবদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৪,৩২৫ নাহনখ্রবনি। মসিগী মনুংদা মীওই ৩৯৩ শীহনখ্রে। অদুবু হায়রিবা চাংচৎ অসি অতোপ্পা য়ুরোপকী লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা মশিং য়াম্না হন্থরি।



ওষ্ট্রিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী হৌরকপদা ঙন্না লৈবাক অদুগী শীনবা থুংনা লৈরিবা রেষ্টুরেন্টশিং, বারশিং, থিয়েটরশিং, স্কুলশিং, নন- ইসেন্সিএল সোপশিং অমদি মীয়াম পুনবা মফমশিংদা থা অমগী মমাঙদা থিংজিন্দুনা থল্লগা মীয়ামদা ময়ুম ময়ুমদা লৈননবা অমদি মখোয়গী থবক থৌরমশিং অদু য়ারিবমখৈ ময়ুমদগী তৌরক্লবা কাংলোন শিনখিবনি।

লৈবাক অদুগী লৈঙাক্লা অতোপ্পা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা ঙমদবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোন চুম্না পাঙথোকহন্দুনা সাইকলিং তৌবা অমদি জোগিং তৌবগী এক্সর্সাইসশিং অথিংবা লৈতনা তৌহনখি।

লৈবাক অদুগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কোগ্লরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অথুবা মতমদা হৌননবা শেম শারি। তৌবতবু ফুটবোল শান্নগদৌরিবা শান্নরোয়শিং মরিক চুম্বা টেষ্টিং পাঙথোক্লবা মতুং ভাবোক য়াওদবা ষ্টেদিয়মশিংদা শান্ননবা হায়খি। টেন্নিস অমদি গোল্ফকী প্রেক্টিসশিং চেকশিন্না পাঙথোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com